**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-09-2025)**

**রিমস(এল)ঃ** রিজনেল ইন্সটিটুট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী ও.পি.দি, ইমর্জেন্সি, রুটিন ও.টি. অমদি পি.এম.ই. খুদক্তুগী থিংজিনখ্রে। মসিগী মতাংদা রিমসকী টিচরস এন্দ মেদিকেল ওফিসারস এসোসিয়েসননা চেরোল অমা থোকখ্রে।

রিমসতা ঙসি নুপী অমা অঙাং উন্নরবা মতুংদা মমা লৈখিদ্রে। থৌদোক অদু ডাক্তরনা চেকশিন্দবদগী থোকখিবনি হায়না ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মরাল শিরদুনা রিমসতা খোঙজং চংশিনখ্রে। লৈখিদ্রবা নুপী অদু লিলোং চজিংদগী চহি ৩৫ শুরবী চিংশুবম ওংবী মঞ্জু কৌই হায়রি। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুং অমদি অতোপ্পা মীওইশিংদা মীশি অদুদা পেন্দবা ফোংদোক্তুনা খোঙজং চংশিল্লকপদা রিমস হোস্পিতালগী পোৎলম কয়া অকায় অতোয় থোকখ্রে অমদি ডাক্তর অমসু ফুখি হায়রি। তুংদা, খোঙজং চংশিল্লিবশিং অমদি রিমসকী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্টকা ৱারী শান্নরবা মতুংদা রিমসকী মায়কৈদগী থৌদোক অসিগী চপ চাবা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্কনি হায়না থাজবা পীরকখি।

রিমসকী ডাক্তর অমা ফুরম্ববু টিচরস এন্দ মেদিকেল ওফিসারস এসোসিয়েসননা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। এসোসিয়েসন অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-রিমসকী ডাক্তর অমবু অরানবা মরাল কয়া পীশিনবতা নত্তনা মহাকপু তমথিনা ফুরুম্বা অসি অকনবা মওংদা য়ানিংদে। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা এসোসিয়েসন অসিনা ৱারেপ কয়ামরুম লৌরে। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা-রিমসকী ও.পি.দি, ইমর্জেন্সি, রুটিন ও.টি. অমদি পি.এম.ই. খুদক্তুগী থিংজিনবা, হান্নরনা রিমসতা মিং চল্লগা লৈরিবা পেসেন্টশিংগীদি লায়েং মখা চত্থবা, থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাদুনা চৈরাক পীদ্রিবা ফাওবা অমদি

হেলথ কিয়ার প্রোফেস্নেলশিংনা মথৌ তৌবদা অপনবা পীদনবা থৌরাং লৌখৎত্রিবা ফাওবা খোঙজং অসি হন্দোকপা হায়বা য়াওরি। লোয়ননা রিমসকী সেক্যুরিতিগী অহোবা লৈখিবা অসিগী মতাংদা থিজিনবা অদুগা সোসিএল মেদিয়াদা লান্না পাউ শন্দোক্লিবশিং অসিগী মতাংদসু রিমস ওথোরিতিনা শেংদোকপসু ৱারেপশিং অসিগী মনুংদা য়াওরি।

অমরোমদা, চিংশুবম ওংবী মঞ্জুনা অঙাং উন্নবদা লৈখিদবা অসিদা রিমসকী ওথোরিতিনসু নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। রিমসকী মেদিয়া সেলনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মহাকা লৈখিদবদা রিমসকী মায়কৈদগীসু থমোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-থৌদোক অসিগী মতাংদা মীয়ামনা রিমসকী মায়কৈদগী অশেংবা লংলা লংজিন পুথোক্কদবনি হায়না চথরিবা খোঙজং অদুগী মনুংদা হোস্পিতাল অসিগী ডাক্তর অমবু ফুরুম্বা অমদি হোস্পিতালগী লন-থুমশিং মাঙ তাকহল্লম্বা অসিসু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। মসি হোস্পিতাল ওথোরিতিনা য়ামা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা আইনগী ওইবা থবকশিং চপ চানা লৌখৎকনি হায়রি।

**জিএসটি ঃ** মীয়ামদগী টেক্স লৌবগী চাং শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা হন্থহন্দুনা শেল থুমগী পোৎলুম হন্থহনবগা লোয়ননা হেন্না লাইবা হিংজবা ঙমবগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা চহি অসিগী নিংতম নুমিৎতা মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা জি.এস.টি রিফোর্মগী নেক্স জেনেরেসন চৎনহন্নবা লাউথোকখি। মসিগী মতুংইন্না জি.এস.টি কাউন্সিলনসু থা অসিগী ৩ দা পোৎলম কয়াদা লৌবা জি.এস.টিগী চাং হন্থহল্লগনি হায়না লাউথোকখি।

টেক্স লৌবগী অনৌবা থৌওং অসি হয়েংদগী চৎনবা হৌরগনি। নৌনা চৎনগদৌরিবা জি.এস.টি. অসিনা মরুওইনা অনা লায়েংগী লমদা পোৎ-চৈগী

মমলদা হান্না লৌরম্বা অদুদগী শিংথানিংঙাই ওইনা তাদুনা মীয়ামদা কান্নবা ফংহল্লগনি।

**ব্লেক ডে (এল) ঃ** ইং কুমজা ১৯৪৯ দা মনিপুর অমদি ভারত সরকারগী মরক্তা তৌনখিবা মাজর এগ্রীমেন্ট অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইকনা ঙসি রাজ্য অসিগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীখি। লম্বীদা গাড়ি চৎপগী চাং হন্থখি অমদি মরুওইবা কৈথেলশিং থোং হাংনখিদে।

**চাউরেন (এল)ঃ** মেরা চাউরেন হৌবনা লাকপদা রাজ্যপাল য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়-লমদম অসিগী নাৎকী ওইবা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা লমদম অসিদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুকচেল খোইজেল তিন্ননা লৈমিন্নবা ওইরসনু। নুমিৎ অসিনা লাকপদা লমদম অসি ইং তপ্পা, শান্তি ওইবা অমদি অমত্তা ওইবগী লীপুননা পুনশিনবা ওইরসনু।

চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা মেরা চাউরেন হৌবগী থৌরম হয়েং লাইনিংথৌ সনামহি কোকথোল লেংফাই ফম্বাল পুদুনা কংলা লাইফমলেনগী নুংজেল ইকোনদা ঈরু ইশেং লৌরুনবগীদমক চৎকনি। মসিদা মীয়ামনা শরুক য়াবীয়ু হায়না লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডকী মায়কৈদগী পাউজেল্লক্লি।

**সৈত্যবরতা (এল)ঃ** অসামগী কছার জিলাগী মনুং চনবা খোইরেনদা লৈবা লেংওনদবী পাৎতা ঙসি মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা লুচিংদুনা ইপা ইপুশিংগী মফমদা লাংবন হৈশোই তম্বগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

লেংওনদবী পাৎ প্রিজারভেসন এন্দ দিবলপমেন্ট সোসাইতি অমসুং অথৌবশিংগী লিক্লম থিবা লুপ অনিনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট মনিপুরগী এদভাইজর-খোমদ্রাম রতন অমদি অসামগী তোঙান তোঙানবা মনিপুরি লুপ কয়াগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

শ্রী সৈত্যবরতানা চন্দ্রপুরদা লৈবা মনিপুর লেভি লম্পাক্তা মহারাজ গম্ভীরসিংহ-নরাসিং নীংশিং ফম্পাক শাননবা উরেপ-উয়ুংসু তমখি। নুমিৎ নিনিগী অসাম খোঙচৎতা লৈরিবা শ্রী সৈত্যবরতানা ঙরাংসু কমরঙ্গাদা লৈবা অৱা পল্লি নীংশিং খুভমদা অৱা পল্লি খুভম মেমোরিএল হোল অমা শাননবা উরেপ উয়ুং তমখি।

**নারি (এল)ঃ** স্বাস্ত নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী মনুং চন্না ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা প্রাইমারি হেলথ সেন্টর শামুরৌনা শিনদুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

শেল তিংদনা অনাবশিং খঙদোকবা টেষ্ট তৌবা, লেমা হিদাক লাংথকশিং য়েন্থোকপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং লায়েংখি। মসিগী মথক্তা পি.এম.জে.এ.ৱাই, সি.এম.ঐচ.টিগী কার্ড শেন্বা, অভাক্রেসননচিংবসু কেম্প অদুদা খুদোংচাবা ফংহনখি। মীওই ১৩০ হেন্না কান্নবা পীখিবা হেলথ কেম্পকী থৌরম অদুদা ন্যুত্রিসন অমদি পোসান মাগী মতাংদসু অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট চেম্বর ওফ কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি (টি.দি.সি.সি.আই) গী ওফিস ঙসি হাংদোকখ্রে। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরগী মিণি সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা টি.দি.সি.সি.আইগী প্রসিদেন্ট-রমতাহুংনা হায়-টি.দি.সি.সি.আই অসি তমেংলোং জিলাগী ওইনা মীয়ামগী মরুওইনা করবার তৌরিবশিংদা হেন্না

খুদোংচাহন্নবগীদমক হাংদোকখিবনি। মসিনা জিলা অসিগী করবার তৌরিবা মীওইশিংবু চপ মান্ননা কান্নবা পীরগনি।

**অমুকো (এল)ঃ** ইরাবত থাবুম পালনগা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী উয়ুমপোক্তা মীয়ামনা উ চারা কয়া থাখ্রে।

অমুকোগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসননা শিনদুনা য়ু.সি.সি.এ.এন, শিনাম য়ুথ দিবলপমেন্ট ক্লব অমদি ফ্রেন্দ য়ুনিয়ন ক্লব-উয়ুমপোকনা শিনদুনা উয়ুমপোকপী এস.ৱাই.দি.সি গ্রাউন্দ অমদি ফ্রি প্রোগ্রেস একাডমী গ্রাউন্দা উ চারাশিং অদু থাখিবনি।

লোয়ালম অপুনবা লৌমী লুপনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সেক্তা মখাদা লৈবা পান্থোইবী কম্যুনিতি হোলদা লময়ানবা ইরাবতকী মীৎয়েং অমসুং ফিদম, ঐখোয়গী তুংলমচৎ হায়বসিদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

**লায়ওন (এল)ঃ** লাওন্স ক্লব ইম্ফাল সিটি য়ুনাইটেদনা শিনদুনা ঙসি মালেমগী শান্তিগী নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

এক নাউ ফোর এ পিছফুল ৱার্ল্ড হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী শান্তিগী পাউজেল পুবা খুনু থাদোকখি।

ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট-লাওন ৱাংখেময়ুম জোন্সন অমসুং হান্নগী দিষ্ট্রিক্ট গভনর লাইওন-টি.ঐচ.কিশো অনিনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা গাড়িগী স্তিক্করশিংসু য়েন্থোকখি।

**এআর(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল শম্বল লৈকাইদা থোকখিবা থৌদোক্তা অসাম রাইফলসকী জৱান অনি লৈখিদবা অমদি মঙানা অশোক অপন নংহনখিবা অদুবু দা পিপলস এল্লাইয়েন্স ফোর পিছ এন্দ প্রোগ্রেস মনিপুরনা কন্না

য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংনা লৈখিদবা অমদি অশোক অপন নংহনখিবা অসিনা মনিপুরগী মীয়ামদতা নত্তনা ভারতকী ওইনা মাংজবা অমনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা হোৎনমীন্নসি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নোং চুগনি। তেলঙ্গানা, অন্দমান অমসুং নিকোবর ইথৎকী মফম কয়াদা হয়েং ফাওবদা অকনবা নোং চুগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

অন্ধ্র প্রদেস, করনাতক, ঝরখন্দ, উরিষ্যা, তেলঙ্গানা, নোংচুপ বঙ্গলা অমসুং সিক্কিমদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি-মরিনি অসি ফাওবদা অখাক অরাও অমদি নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি হায়নসু আই.এম.দিনা হায়রি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-নেক্স জেনরেসন জি.এস.টি. রিফোর্ম হয়েংদগী লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনরগনি। মীয়ামনা পোৎ-চৈ লৈবা মতমদা হন্থবা মমলদা লৈবা ফংলগনি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম জাতিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-জি.এস.টি. বচত উৎসব হয়েংদগী হৌরগনি। মসিনা মীয়াম, লৌমীশিং, নুপীশিং অমদি ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিংদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিনা চাউখৎ লমলেজদা মাং থানবগীদমক রাজ্য খুদিংমক চপ মান্নবা থৌদাং লৌমীন্নগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ইং ২০১৪ দা মহাক্কী সরকার হেক লাকপদগী জি.এস.টিগী মতাং অসিদা ইহান হান্না খুৎ থাবা হৌখিবনি। মসি রাজ্যশিংগী অমদি অতৈ তোঙান তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা খন্নরবা মতুংদা পায়খৎখিবা

থৌরাংনি। মহাকা হায়-নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলম, হিদাক লাংথক, হেলথ ইন্সুরেন্স হায়বা অসি য়ামা মরুওইবনা অনৌবা জি.এস.টি. অসিনা চাদা ৫ দা হন্থহল্লে।

**ভিজিট ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং অরুনাচল প্রদেস অমসুং ত্রিপুরাদা চৎকনি। খোঙচৎ অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ৫,১০০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি, খরা উরেপ উয়ুং তমগনি।

অরুনাচল প্রদেসতা মহাকা লুপা কোতি লিশিং ৩,৭০০ হেনবগী অচৌবা হাইদ্রো পৱার প্রোজেক্ট অনিগী উরেপ উয়ুং তমগনি। ত্রিপুরাদা প্রধান মন্ত্রিনা পিলগ্রীনেস রিজবিনেসন এন্দ স্প্রিচুয়েল হেরিটেজ ওগমেন্টেসন দ্রাইব (প্রসাদ) স্কিমগী মখাদা ত্রিপুরা সুন্দরি টেম্পল কমপ্লেক্সতা শেমগৎ শাগৎলিবশিং শঙ্গাগনি।

**রাজনাথ ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ, ঙসি মোরোকোগীদমক ভারত থাদোকখ্রে। খোঙচৎ অসিনা ভারতকী ঙাকশেল মন্ত্রি অমনা অৱাং থংবা আফ্রিকাদা চৎপা অহানবনি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মন্ত্রিনা হায়-খোঙচৎ অসিদা মোরোকোগী ঙাকশেল মন্ত্রিগা লৈবাক অনিগী ওইবা মরীগী মতাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। ৱারী শান্নবা অদুদা ঙাকশেলগী লমদা লৈবাক অনিগী মরক্তা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমদি লল্লোন ইতিক্কী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদসু খন্নরবা য়াই হায়রি।

**অমিত ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- মথং চহিগী মার্চ থা ফাওবদা লৈবাক অসিদগী লেফটৱিং এক্সত্রিমিজম পুংমুৎ মুথৎকনি।

প্রাইভেট চেন্নেল অমগা উন্নবদা শ্রী সাহনা হায়-সরকার অসিনা কন্না হোৎনবদগী হৌখিবা চহি ১০ রোম অসিদা অৱাং নোংপোক অমসুং লেফটৱিং এক্সত্রিমিজমনা শোকহল্লবা মফমশিং য়াওনা মরুওইবা মফম কয়াদা হিংশাগী থৌদোক চাদা ৭৫ গী মথক্তা হন্থহনবা ঙমলে। নরেন্দ্র মোদি সরকারনা মায় পাক া পাঙথোকখিবা থবকশিং শিংথারদুনা শ্রী সাহনা হায়- চহি ১১ রোম অসিগী মনুংদা সরকারনা মীওই কোতি ৬০ রোমদা ময়ুম মকৈ ফংহন্দুনা ইলেক্ত্রিসিতি, টোইলেট, গ্যাস, থকবা ঈশিং ফংহনখ্রে অমসুং লুপা লাখ ৫-৫ রোমগী হকশেলগী থৌরাংগী কান্নবসু ফংহল্লে।

**ফুটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-বিষ্ণুপুরনা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা য়ুমাম মনাও মেমোরিএল ফুটবোল লিগ-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-তাইদা তৌবুলনা ইশোক এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি।

অতোপ্পা, ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. য়ুমাম খুনৌ অমদি য়ু.এফ.সি. বিষ্ণুপুরগা শান্নখিবা মেটচতা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**ফুটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-ককচিংনা শিনদুনা ২২ শুবা কে.এস.ঐচ. লৈহাও দেবা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ-২০২৫ ঙসি দি.এস.এ. ককচিংগী প্লে গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.দি.ও. পল্লেলনা এস.এ.ও-ককচিংবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

**স্পোর্টস ঃ** এসিয়া কপ ত্বেন্তি ত্বেন্তি ক্রিকেটতা ঙসি ভারত অমসুং পাকিস্তান মখোয়গী অনিসুবা সুপর ফোর ক্লাসতা দুবাইদা থেংনরগনি। মেটচ অসি হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং পুং ৮ দগী হৌরগনি।

বেদমিন্টনদা চাইনাগী সেনজেনদা চত্থরিবা চাইনা মাষ্টরকী নুপাগী দবলস ফাইনেলদা ঙসি ভারতকী সতৱিক সাইরাজ রনকি রেদ্দি অমসুং চিরাক সেত্তিগী

জ্ৰানা টোপ সিদ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন খা কোরিয়াগী কিম ৱোন হো অমসুং সিও সিয়ুং জাগী জ্ৰাগা থেংনরগনি। ভারতকী জ্ৰা অসিনা অনিরক ওলিম্পিক মেদল ফংখ্রবা মালেসিয়াগী আরোন সিয়া অমসুং সো ৱোই য়িককী জ্ৰাবু সেমি ফাইনেলদা ২১-১৭, ২১-১৪ দা মায়থিবা পীখি।